# ওমার অব্দুলানা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমনা কাশ্মীরগী মতাংদা প্রসিদেন্টকা উনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২০(এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ওমার অব্দুলানা লুচিংবা মীওই ২০ না শাবা মীহুৎ কাঙবু অমনা ঙসি প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জী উন্নদুনা কাশ্মীরদা থোক্লিবা ৱাথোক্কী মতাংদা ৱারী শানখ্রে।

নেসনল কনফরেন্স, কোংগ্রেস, কম্যুনিষ্ট পার্টি, দেমোক্রেটিক পার্টি ফ্রন্ট, অৱামি ইটেহাদ পার্টি অমসুং পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্টনা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা মীহুৎ কাঙবু অমা থাদুনা প্রসিদেন্টকা ৱারী শানহন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা কাশ্মীরদা মীশি-মীনা লেপহনবা ঙমদবা মরম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা তানফম অমা য়ৌরক্লে হায়না লৌবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা সেন্টরগী অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নবগী পান্দমদা প্রসিদেন্টতা ৱাকৎনবা ফিরেপ লৌখি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওমার অব্দুলানা হায়খি, কাশ্মীরবু ইন্দিয়াগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি হায়না লৌবা তারবদি কাশ্মীরদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। গুজরাটতা থৌদোক মচা অমখক থোকপা মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর মশামক চৎতুনা মফম অদুগী মীয়ামগা ৱারী শানৈ। মতৌ অসুম্না কাশ্মীরগী মতাংদসু সেন্টরনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

পাকিস্তাননা কাশ্মীরগী ৱাথোক থোকহনবনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা মরাল শীখিবগী মতাংদা ওমারনা হায়খি, পাকিস্তাননা কাশ্মীরদা নাকোয়ননা ঈরাং হৌহনবা তারবসু মী হাৎলিবদি লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংননি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ৱাথোক অসি পোলিটিকেলগী ওইবা প্রোব্লেম ওইবনিনা পোলিটিকেলগী ওইবা মওংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনফম থোকই। অদুবু সেন্টরনা কাশ্মীরবু ইন্দিয়াগী তৎন-থানবা য়াদবা শরুক অমনি হায়না মচীন্দা ফোঙদোকচরবসু কাশ্মীরদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলকপা লৈত্রি হায়না ওমারনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ন্যু দিল্লিদা লৈরিঙৈদা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবা কয়াগা উনদুনা কাশ্মীরদা থোক্লিবা ৱাথোক্কী মতাংদা ৱারী শানগনি। সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরম্বা মীওইশিংগসু উনদুনা ৱাথোক অসি লোইশিনহন্নবগী মতাংদা তকশিনগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মরকসিদা, ওথোরিটিশিংনা কাশ্মীর তম্পাক্তা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থন্লকপা নুমিৎ ৪৩ নি শুরে। পুলিসনা হায়খি মদুদি, অনন্তনাগ টাউন অমদি শ্রীনগর সীটিদা মখা তানা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্বগা লোয়ননা কাশ্মীর তম্পাক্কী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদসু মী মঙা শুনা পূনবা য়াদবগী অথিংবা থল্লি।

অমরোমদা, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ইমপ্লোয়ী খুদিংমক খুদক্তগী থবক কারক্লবা খঙহনখ্রে। থবক কারক্তবা ইমপ্লোয়ীশিং ওগষ্ট থাগী তোলোপ কক্কনি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখি। মরকসিদা, সেপরেটিষ্ট লীদর সয়িদ অলি গিলানি অমসুং মিরৱাইজ উমর ফরুকনা অথিংবা থুগাইদুনা বদগাম দিষ্ট্রিক্টকী অরিপন্তন খুঙ্গং তম্না খোঙচৎ অমা চৎনবা থৌরাং তৌরকপদা পুলিসনা ফারগা অমুক হন্না হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখ্রে।

# অমাঙ-অতা থোক্লবা নেপাল শেমগৎনবা হোৎনরি : মোদি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২০(এজেন্সী): মমাঙ চহীগী এপ্রিল থাদা থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক্তা অমাঙ-অতা থোক্লবা নেপালগী মফমশিং ইন্দিয়ানা মপুং ফানা শেমগৎনবা হোৎনরি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

নেপালদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেমখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিদা কোয়রকখিবা নোপালিজ দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টর বিমলেন্দ্র নীধিগা উনদুনা ৱারী শানবদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থা অসিগী হৌগৎলকপদা প্রাইম মিনিষ্টর পুস্পা কমল দহাল প্রচন্দানা লুচিংবা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেমখ্রবা মতুংদা নেপালগী অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাঙবু অমা ইন্দিয়াদা লাকপা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

মোদিনা হায়খি মদুদি, য়ুহা হাবদা অমাঙ-অতা থোক্লবা নেপালগী মফম পুম্নমক নৌনা অমুক শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা মরুওইবা থৌদাং লৌগনি। নেপালদা খ্বাইদগী চাউনা মতেং পাংলকখিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমনি।

প্রাইম মিনিষ্টরস ওফিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়খি মদুদি, নেপালদা পায়খৎলিবা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা নীধিনা মোদিদা ময়েক শেংনা পাউদমখি।

নুমিৎ ৪নিগী খোঙচৎতা লাকখিবা নীধিনা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ অমদি হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগসু উনদুনা ৱারী শানখি। নেপালগী অনৌবা গভর্ণমেন্টকা হীরম কয়াদা পূন্না থবক তৌমিন্নগনি হায়না সুস্মা স্বরাজনা নীধিদা থাজবা পীখি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনসু নেপালদা পায়খৎলিবা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক থৌরমশিংদা ইন্দিয়ানা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীখি। তুংদা নীধিনা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীগা উনখিবা মতমদা নেপালগী প্রসিদেন্ট বিদ্য দেবী ভন্ধারিনা পীরকপা নেপালদা লাকপীনবগী মতাংদা হায়জবা ৱারোল য়াওবা চেবাউ অমা খুৎশিন্নখি।

নেপালদা মাওইষ্টনা লুচিংবা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা লাকখ্রবা মতুংদা লৈবাক অদুনা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগা নক্লবা মরী থম্নবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। নেপালি কোংগ্রেসকী নীধিবু অখন্নবা মীহুৎ ওইনা ইন্দিয়াদা থারকপগা লোয়ননা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ নেপাল (মাওইষ্ট-সেন্টর)গী কৃষ্ণ বহাদুর মহারাবু বৈজিংদা থাখিবনি।

# গুজরাটতা দলিটশিং হাৎখিবগী মতাংদা থিগৎনবা এস আই টি অমা শেমখ্রে

অহমেদবাদ, ওগষ্ট ২০(এজেন্সী): গুজরাটকী সুরেন্দ্র নগর দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা দলিট ফুরুপকী মীওই অহুম শিখিবগী মতাংদা থিগৎনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা শেমখ্রে।

দলিট লুচিংবা কয়ানা হীরম অসিগী মতাংদা কন্না তকশিল্লকপদগী চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানিনা এস আই টি শেম্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, কেবিনেট মিনিষ্টর অত্মারাম পর্মার, হান্নগী মিনিষ্টর রমন লাল ভোরা অমদি রাজ্য সভাগী এম পি সম্ভু প্রসাদ তুন্দিয়া য়াওনা দলিট লুচিংবা কয়ানা হায়জরকপগী মতুংইন্না এস আই টি শেমদুনা দলিটশিং শিখিবগী থৌদোক থিগৎহন্নবা চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানিনা ৱারেপ লৌখিবনি।

গভর্ণমেন্টনা স্পেসল দেজিগনেটেদ কোর্ট অমা শেম্বগা লোয়ননা স্পেসল পব্লিক প্রোসিক্যুটর অমবু কেস অসি পায়খৎনবা খঙহনখ্রে হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবা দলিটশিংগী ইমুং-মনুংদা গভর্ণমেন্টনা হান্না পীখিবা শেনফম অদুগী মথক্তা নৌনা অমুক লুপা লাখ ২ পীরগনি হায়রি।

সুরেন্দ্র নগর দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা দলিট নহা অহুম শিখিবগী মতাংদা থিগৎনবগীদমক শেমখিবা এস আই টিগী মেম্বর ওইনা রাজকোট সীটিগী পুলিস কম্মিস্নার অনুপম সিংহ গেহলোট, সুরট সীটিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিস পরিক্ষিতা রাথোর অমসুং পোরবন্দরগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস তরুনকুমার দুগালবু খনখ্রে।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১২ গী সেপ্টেম্বর ২২ অমসুং ২৩ গী লোন্না অহিংদা দলিট অমসুং ভরৱাদ ফুরুপকী মরক্তা খুৎ থোক্নরকপদগী পুলিসনা খুৎ থোক্নরিবা নাকল অনী খামদোক্নবগীদমক নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা পংকাজ সুমরা, প্রকাশ পরমার অমসুং মেহুল রাথোর কৌবা দলিট নহা অহুম শিখিবনি।

গভর্ণমেন্টনা মমাঙদা থৌদোক অসিবু থিগৎহন্নবা ইনক্বাইরি কম্মিটি অমা শেমখিবগা লোয়ননা সোসল জষ্টিশ এন্দ ইম্পৱারমেন্ট দিপার্টমেন্টকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি সঞ্জয় প্রসাদনা লুচিংবা কম্মিটিনা গভর্ণমেন্টতা রিপোর্ট অমা পীশিল্লকপা লৈখ্রবনি। অদুবু রিপোর্ট অদুগী অকুপ্পা ৱারোল মীয়ামদা ময়েক শেংনা লাউথোকপা তৌখিদে।

অমরোমদা, হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পুলিসনা দলিটশিংদা এটেক তৌখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই ২২ ফাবা লৈখ্রবনি।

অহমেদবাদতগী কিলোমিটর ৩৫০ লাপ্না লৈবা উনা টাউনদা পাঙথোকখিবা দলিট মীয়ামগী ওইবা রেল্লি অমা য়াওরুরগা ভাবনগর তম্না হল্লকপগী লম্বীদা মীওই খরনা এটেক চথুরকখিবনি হায়রি।

এটেক চথুরকখিবা মীওইশিং অদু উনা টাউনদগী কিলোমিটর ১১ রোম লাপ্না লৈবা সমটেরগী মীওই ঙাক্তনি হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

গীর-সোমনাথ দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ঐচ আর চৌধরিনা হায়খি মদুদি, নুমিৎ অদুদা মীয়ামগী রেল্লি লোইরবা মতুংদা খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা মীওই খরনা সমটের মনাক্তা লম্বী থিংদুনা দলিট ফুরুপকী মীওই কয়ামরুম তমথীনা ফূখি।

এটেক চথুরকখিবা মীওইশিং অদু তানখায়নবগীদমক পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপখিবগা লোয়ননা ব্লেঙ্ক ফায়রসু তৌখি হায়না ঐচ আর চৌধরিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

দলিট ফুরুপকী মীওই ১২ শোকহনখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই ২২ ফারে হায়না উনা টাউনগী পুলিস ইন্সপেক্টর ঐচ জি ভগেলানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

# য়ু পিগী ঈচাওদা মীওই ১১ শিখ্রে, মফম কয়াদা গঙ্গা তুরেলগী ঈমায় পাথোরক্কদৌরে



লক্ষ্নৌ, ওগষ্ট ২০(এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী তোঙান-তোঙানবা মফম খরদা থোকখিবা ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ১১ শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

বন্দা দিষ্ট্রিক্টকী কলৱনগঞ্জ এরিয়াদা লৈবাক্না শাবা য়ুম চা কয়া নিংখায়রকপদগী মীওই মঙা শিখি। ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, কানপুরদা নোং কন্না চুবদগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিনবগা লোয়ননা পীক্লিবা অঙাং অনী য়াওনা মীওই ৪ শিখি। লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৪ তেংবাং ওইনা পীরগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

সোনভদ্রদা নোং কন্না চুবদগী ঈশিং থুমজিল্লকপা মরম্না রিহান্দ দামগী গেট মঙা হাংদোক্তুনা ঈশিং থাদোকপা তাখি। অকোয়বগী মফম খরদসু নোং কন্না চুবদগী ঈচাও থোরকপা য়ানা লৈরে হায়রি।

রিহান্দ দামদগী থাদোকখিবা ঈশিংনা বিহারগী মফম খরা ঈশিং থুমজিনহনবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। অলাহবাদতা গঙ্গা তুরেলগী ঈমায় খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা মীৎকুপ অমদা হেক্তা ঈমায় পাথোরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়না ন্যুজ রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

নোং কন্না চুবদগী খুঙ্গং ১০০ রোম হেন্না ঈচাও থোকহনখ্রবা অলাহবাদতা ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই অনী শিখি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী নোং কন্না চুরকখিবা মরম্না ঈশিং থুমজিল্লকপদা মশাগী চহী ১২ শুবদা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা ঈরাক্রুদুনা শিখি। সিতাপুরদনা য়ুমথক নীংখায়রকপদা মীওই অমা শিখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা হৌখিবা ওগষ্ট ১৫ দগী হৌনা অকনবা নোং চুদুনা লাকখিবনি।

ট্রান্স-যমুনা রিজনগী মেজা অমসুং বরা টেহসিলদা ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই অমমম্ শিখি। হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিদা শা-ষণ ১০০ হেন্না শিবা লৈখ্রে হায়না এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট (রেভিন্যু এন্দ ফাইনান্স) রাম সাহয়ক য়াদবনা ফোঙদোকখি।

উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ য়াদবনা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসল খুদিংমক ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মফমশিংদা মতেং পাংবা অমদি মী কনবগী থবক থৌরমশিং মপুং ফানা পায়খৎনবা খঙহনখ্রে। মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবগীদমক ঈচাও থোক্লবা দিষ্ট্রিক্ট ২১ গী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হেন্দ পম্প ২,৫০০ ইন্সটোল তৌনবসু চীফ মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

অমরোমদা, নোং কন্না চুবদগী উত্তর প্রদেশতা তুরেল অয়াম্বা ঈমায় পাথোরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। গঙ্গা তুরেলদগী পাথোরকপা ঈশিংনা নোংপোক থংবা উত্তর প্রদেশ অমদি বুন্দেলখান্দগী মফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিল্লে হায়রি।


টেংথাংলোং/ লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্থী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্থা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্না নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফন্থী পাবা, নুপাগী ফন্থী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্চবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাংনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্চবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্চবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3238/3/08-2/09


# ইন্দিয়াবু মরৈবাক্নি খনবা মীওই খুদিংমক্না ষণবু মমানি খনগদবনি : ঝরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর রঘুবার দাস

কোলকাটা, ওগষ্ট ২০(এজেন্সী): ষণ হাৎপা অমদি ষণ শা চাবগী মতাংদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোক্লিঙৈগী চৈরক্তা ঝরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর রঘুবার দাসনা হায়খ্রে মদুদি, ইন্দিয়াবু মরৈবাকনি খনবা মীওই খুদিংমক্না ষণবু মমানি হায়না লৌগদবনি। অদুমওইনমক ষণ হাৎপা অমদি চাবা থিংবগী মিংদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকহল্লোইদবনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ষণ হাৎপা অমদি ষণ শা চাবগী মতাংদা সঙ্ঘ পরিবারনা লৌরিবা ফিরেপ চপ মান্নে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না ষণবু মমানি খন্না ঙাকপী শেনবীগদবনি। হীরম কয়াদা কান্নবা পীরিবা ষণবু ঙাকপী শেনবীবগা লোয়ননা ষণ হাৎপা অমদি ষণ শা চাবগী থৌওং খুদক্তা লেপফম থোকই। অদুবু হীরম অসিগা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদনবা থৌওং শীনবদি চুমদে।

পনবা য়াবদি, ষণ ঙাক শেল্লিবনি হায়বা মীওই কাঙলুপশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হৌখিবা ওগষ্ট ৬ তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খিবনি মদুদি, খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংনা ষণ ঙাক শেনবগী মিংদা মখল মখা কয়াগী ক্রাইম চথুরি। অয়ুক-নুংথিলদা ষণ ঙাক শেনবগী মিংদা অতোপ্পা ফুরুপকী মীওইশিংবু তাথী-তাওইনা তৌরিবা মীওই খুজোক খরনা নুমিদাংগী মতমদা হুরান-চীন্থিগী থবক তৌরি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

মোদিগী ৱাফম অদু বিস্ব হিন্দু পরিষদ (ভি ঐচ পি)গী ইন্টরনেসনল ৱার্কিং প্রসিদেন্ট প্রবিন টোগাদিয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, ষণ হাৎপা অমদি ষণ শা চাবা থিংবগা লোয়ননা লৈবাক অমদগী অতোপ্পা লৈবাক অমদা ষণ য়োনবগী থৌওং চথুরিবা অসি খুদক্তা থিংনবা হোৎনফম থোকই।

## শিবপাল য়াদবনা অখিলেশ য়াদব উনখ্রে

লক্ষ্নৌ, ওগষ্ট ২০(এজেন্সী): উত্তর প্রদেশতা মতিক ময়াই লৈরবা য়াদব ফেমিলি ময়ি চৎলে হায়না মীয়াম্না ঙাওনরিঙৈগী চৈরক্তা শিবপাল য়াদবনা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ য়াদবকা উনদুনা মিনিট ৯০ রোম ৱারী শানখ্রে।

তুংদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা শিবপালনা হায়খি, য়াদব ফেমিলি মনুংদা মোত মান্নদবা লৈতে। হীরম কয়াদা ইমুং-মনুং পূন্না থবক তৌমিন্নরি। হন্দক্তা চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ য়াদবনা কৌখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফম অমদা শিবপাল য়াদবনা শরুক য়াখিদবগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা শিবপালনা হায়খি, অখিলেশনা চীফ মিনিষ্টরনি অদুগা ঐহাক্না কেবিনেট মিনিষ্টর অমনি। গভর্ণমেন্ট অসিদা ঐখোয় খুদিংমক্কী অপূনবা থৌদাং লৈ। কনাগুম্বা মীওই খরনা য়াদব ফেমিলি মচেৎ তারে হায়না মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরক্লে। অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদসু সমাজৱাদি পার্টিনা মায় পাক্তুনা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ।


COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
REGULAR COURSE FOR
NEET (Medical) & JEE-MAINS (Engineering) 2016-17
Classes will commence from 22/08/2016
HL-P/3269/19,20,21

CAS Medical & Engineering
The only institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
Regular Medical Course for NEET EXAM, 2017
SPECIAL FACILITIES:
- Direct Admission after Counselling.
- Free Studentship for Toppers & Rank holder.
- Regular Weekly, Monthly, Test Series and Mock Test Series.
- Well Equipped Infrastructure with a Model Classroom System.
- Supply Authentic Study Materials from ENRICHMENT, New Delhi.

NEW BATCH

Registration FORM alongwith PROSPECTUS available from the CAS office.
Class Commencing from 22nd August, 2016
For detail Contact : CAS Office, Main Building, Keishampat Junction & New Block, Keishampat Opposite CCpur Parking.
HL-B/3236/ 3/8 - 2/10 (Alt)


## OFFICE OF THE MANIPUR STATE LEGAL SERVICES AUTHORITY

(High Court of Manipur Complex, Mantripukhri, Imphal-795002)

**NOTIFICATION**

Dated, 18th August, 2016

No.8/57/2016-MASLSA: Applications are invited from interested candidates for recruitment of **10 (Ten) LDCs and 10 (Ten) Peons on contract basis** (one LDC and One Peon each) for the Nine District Legal Services Authorities and High Court Legal Services Committee. Duly filled Application Form should be submitted to the office of the Member Secretary, Manipur State Legal Services Authority, High Court of Manipur Complex, Mantripukhri, Imphal during office hours on or before **20th September, 2016.**

| Name of Post | No of post | Consolidated pay | Essential qualification | Age | Desirable qualification | Nature of appointment |
|---|---|---|---|---|---|---|
| LDC | 10 | Rs. 8,200/- (Fixed) | Graduate with typing speed of at least 30 w.p.m | Above 21 years of age and below 35 years on the date of notification. (Upper year age limit may be relaxed upto 5 years for SC/ST/ OBC candidate) | Working knowledge of computer | Purely on contractual basis for a period of 1 (one) year from the date of appointment (which may be extended from time to time) |
| Peon | 10 | Rs. 6,060/- (Fixed) | Class VIII pass | Above 21 years of age and below 35 years on the date of notification. (Upper year age limit may be relaxed upto 5 years for SC/ST/ OBC candidate) | Class X pass with driving skill & possessing valid Driving license | Purely on contractual basis for a period of 1 (One) year from the date of appointment (which may be extended from time to time) |

The Notification and Application Form may be collected from the office of the Manipur State Legal Services Authority or downloaded from the website of High Court of Manipur. **(www.hcmimphal.nic.in).**

Sd/-
Member Secretary
Manipur State Legal Services Authority

HL-B/3273/21&22